

# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Manager Saintsbury



Charles Chaplin


Manager Charles Frohman

- Hanna গী মমাসু ঙাওশি শিখিবনি। মদু মানা মচাশিংদা হায়দোক্লমদ্রে। মরী মতুং ইনবা হায়বদু ওইরে। চহী ৩৭খক্তা ঙায়রিবী Hanna পুন্সি চুপ্পা অঙাওবী ওইগদৌরি।
- চার্লি মতোমতা ঙায়হৌরে। মহাক মমাগী মনাওনুপী মাগী মন্দোমচা Kate গী নাক্তা লৈবা তারে। ময়াম্বা সিদনী হল্লকপা ঙাইবদা ৱারে। ময়াম্বসু লাকপা মতম হেল্লে, নাদুনা লৈরুরে সমুদ্রদা।
- কায়নথংদা ময়াম্বা লাক্লে। পৈশা য়াম্না পুরক্লে। মখোয়নী মমাগী নাক্তা চেল্লে। মমাগী শকফমদু য়েংবা য়াম্না নুংঙাইদ্রে। অদুবু চার্লি উবদা চৈবদি তোক্তে, "নঙনা নুমিত্তুদা চা কপ অমতং পীথক্লল্লবদি ঐ অসুম্না তৌরোই।" সিদনীসু অমুক হন্না সমুদ্র চৎলরোই হায়রে।
- চার্লিগীসু অফবা লাইবক থুংঙরে। খরা হেন্না মমিং লৈবা Theatre Agency অমদা মিং চল্লে। থুনমক এজেন্সি অদুগী মেনেজর Blackmore না মাবু লান্নবা postcard অমা থারক্লে। অমুক Blackmore না মাবু Duke of York's Theatre গী মেনেজর Charles Frohman গী মনাক্তা থাবিরক্লে।
- মফমদুদা চার্লিবু Sherlock Holmes ড্রামাগী Billy কৌবা মীনাই অমা শানবা খল্লে। মদুগীদমক মহাক্না চয়োল অমদা dollar ২গা শিলিং ১০ ফংবা তারে।
- অদুবু তাঞ্জাদুদা Manager C.E. Hamilton না মাবু Jim কৌবা প্লে অমগী রোল অমসু লৌবা য়াগনি হায়রে। প্লে অদু মমিং লৈবা H.A. Saintsbury না ইবনি। অদুনা চার্লিবু Saintsbury গী নাক্তা থারক্লে।
- চার্লিগী লাইবক ফবা হায়বদু তারে। Saintsbury না চার্লিবু চাংয়েং শুংতৌ তৌদনা মাগী পার্ট অদু পানবা পীরক্লে। মাগী লাইবক ফবনা মফম অদুদা মাবু পাউ হায়রক্ত্রে। মরমদি চার্লি লাইরিক য়াম্না তল্লক্তবনা মফমদুদা পাবা ৱারমগনি। পালহুম্বা তারবদি চোপ্পমগনি।
- য়ূম য়ৌরগা ময়াম্বা সিদনীনা পারগা তাহল্লে। পীথোক্লকপা মগুণ অমা য়াওবনা চার্লিনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা মাগী পার্ট অদু ফজনা ফাদোক্লে।
- মচিন-মনাও হরাওবনা লোইরে। অদুবু চার্লিগী তলব হেনগৎপীনবা হায়জবদি মায় পাক্ত্রে। চার্লিগী তৌথোক্লকপা মতৌ অদুদা Saintsbury পেনখ্রে। Saintsbury নসু মাবু নুংশিদুনা পূক্নিং থৌগৎপগী মথক্তা Stagecraft কয়া ফজনা তাকপীরে।
- Saintsbury না চয়োল খুদিংগী মাগী প্লেগী ৱারী পাউচে The Era দা থাবদা চার্লিগী হৈ-শিংবা ফজনা পন্দুনা থাবীরে। Saintsbury সু শারৈ হৌবা ইনাকখুনবা নহা অমগী শক্তম লাংখি। চার্লিনা Sammy কৌবা পাউচে য়োনবা অঙাং অমা শাখি।
- পাউচে The Era না প্লে অদু ফজনা থাগৎখি। Jim হায়রিবা প্লে অদু অহানবা ওইনা ১৯০৩গী জুলাই ৬তা Royal Country Theatre দা উৎখি। The Era পাউচেগী critic অমনা চার্লিবু অসুম্না ইরকখি, "Mention should be made of Master Charles Chaplin, who, as a newsboy known as Sammy, showed promise."
- 'The Tropical Times' কৌবা পাউচেনসু চার্লিবু থাগৎতুনা অসুম্না ইরকখি, "There is one redeeming feature, the part of Sammy, a newspaper boy, a smart London street Arab, much responsible for the comic part."
- মথংদা চার্লিনা Sherlock Holmes কী প্লেদা অহানবা ওইনা Billy গী রোল লৌখি। মী ২৬৫০ ফম্বা Pavilion Theatre দা চহী ১৪গী অঙাং মানা উৎখিবদু অরাইবা ওইখিদে।
- চার্লিনা য়াওরিবা ড্রামা পার্ট অদু কোয়না চৎপা হৌরে। মফম অমদগী অমদা সহর অমদগী অমদা সুম কোয়রকপনা নোংমদি চার্লি থিবা ফংদ্রে। লীলাদি হৌরে। অনীশুবা সীনফাওবা মহাক য়াওদ্রে। অদুগাদি হরাওনা শিলিং ৫ পীদুনা লৈরুবা কেমেরা কোল্লদনা চঙলক্লে। মদু মানা Matinee Show হায়বসি করিনো খঙদবনা ওইরল্লে।
- তৌরম্লিবা ফিভমদু উবদা মহাক মপি তারে। অদুবু থুনমক ফি শেৎহল্লগা থোক্লকহল্লে অহুমশুবা সীন্দগী। কেমেরাদু মানা Sherlock Holmes কী অহানবা ফংলকপা তলবতগী লৈরুরিবনি পামজমন্দনা।
- অতোপ্পা চার্লিনা পামজবা অমনা শা-ঙা লুনা তৌবা অসিনি। মাগী মথংগী তলবতনা মানা থেব ফজখ্রবা অনী লৈরে। অদুগা উপু চন্দুনা মদুবু মানা লুনা য়োকচৈ। থেব অনীদু মানা থা ১৭ লোম লোয়নখি।
- চার্লি লায়রনা হৌরকপনা পৈশা য়াম্না চেকশিনজে। পৈশা তানবসু হৈ। নোংমা মানা হোটেলদা চৎপদা মতম মাঙহনখিদে, ফাগী তৌদুনা, ঈশৈ শক্তুনা হোটেলদুদা লৈরম্বা মীয়াম্বু পেলহনখি। অদুগা মাগী টুপীদু লৌথোক্লগা পৈশা কোয়না নিখি।
- কোয়না ড্রামা চৎলকপদু চার্লিদা অঙকপদা কান্নখি। মমানা তৌবগুম মাসু অউবা খুদিং মতৌ তম্বা হৈ, কূপ্পা য়েংগল্লি। মখোয়না উৎতবা মফম লৈত্রে। মতমদুদা British Isles অদুদা থিএটর ৫০০ রোম লৈরম্মী হায়রি।
- মতমদুদা মাগী ময়াম্বা সিদনীসু চার্লিদগী হান্না ড্রামা য়াওনীংবা লৈদুনসু য়াওবা ফংখিদে। অদুনা অফংবা থবক Coal Hole Bar গী সেবারী ওইনা য়াওরে। মতাংদুদা চার্লিনা Sherlock Holmes কী অশীন-অরাংদা ময়াম্বগী পার্ট অমত্তং থুংবিনবা হায়জরে। অদুম্না মতম খরা মচিন-মনাও পূনবা ফংলে।
- ১৯০৪গী জন্যুৱারীগী তাং ২দদি মমা-মচা অহুম অমুক লৈমিন্নরে। মতম অদুদা Hanna নাবা খরা ফদুনা লাক্লে। চয়োল অমা অনী মচাশিংগা অদুম লোয়ননা টুর চৎমিন্নরে। অদুবু চার্লিদি মথ্বায় ৱারে। মরমদি মতমদুদা মচিন-মনাও অনীনা অহল ওল্লে। মমানা অঙাং অমুক ওল্লে।
- টুর মনুংদু Hanna না পোৎ লৈবা থোকই। চাক-ঈশিং থোংই। অদুবু Hanna দি মহৌশা মানা তৌবগুম ফক্লাংদা থেৎনবা লৈ চবুল লৈদুনা লাক্লে। মহৌশাদগী মাদি ফনা লায়ররসু পেনি অমতসু তুংশিল্লগা লৈ লৈনবা হোৎনরকই।
- মতম খরা লৈমিন্নবদু Hanna দু মমাগী মতৌ উৎলক্ত্রে। থুংলবা মীগুম তৌরে। অদুনা থা অমা লৈমিন্নরল্লগা লন্দন্দা হনখ্রে। কা অমা লৌদুনা লৈখ্রে। মদুগীদমক মচা অনীনা চয়োলগী শিলিং ২৫ থারক্লে।

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ



# অথীবা নাতোল ফজনা উইহন্নবা পাম্বৈ



মীপুম খুদিংমক মায়দা চুম্না, নাতোনগী মঙং মতৌ ফজনা পোল্লকপা নৎতে। মরাইবক ফবা কনাগুম্বা খরখক নৎতনা মীওই অয়াম্বদি মিংশেল য়েংবা খুদিংগী নুংশুক-নুংজানবা, নুংনাংবা পোল্লিবনি। কোসমেটিক সর্জরিগী মতেঙনা থাঙ থারগা নাতোলগী মঙং শেম্নিংবা মঙঙদা শেম্বা য়াইবুদি হায়ববু শেল চঙবা অমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মরম্না ইচম-চম্বা মেকঅপকী মতেঙনা নাতোলগী অশোয়বা পুম্নমক কূপশিনবা লোৎশিনবা য়াই। খ্বাইদগী মরু ওইরিবা খোঙথাংদি ইশানা ইশাবু মপুং ফানা থাজবা থমজবগা লোয়ননা মীমাঙদা মায় থাংগৎতুনা চৎপা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন চেলহনবদুনি।

য়ারিবমখৈ মায়দা মরেক কাহল্লোইদবনি। মরেক কাদুনা মায় মীৎ ইরং লংখৎলবদি নাতোল চাউথোক্লা উহল্লি। ফোটো নম্বা তারবসু কেমেরাগী ফ্লাশতগী থক্তোরকপা মঙালনা নাতোলগী মঙঙ থীনা উহল্লি। মরম অদুনা অখন্নবা মখলগী ক্লীঞ্জর অমা শীজিন্নদুনা মায়দা মরেক কাবা ফহন্নবা হোৎনগদবনি। চেকশিনগদবা অমনা মরেক কোক্লবনি হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন তোয়না মায় তারবদি মায়গী উনশা শোক্লক্কনি। মরম অদুনা ঙাইহাক ঙাইহাক লৈরগা পাওদর খরা খরা তৈশিন্দুনা মায়গী অরংবা মরেক কূপশিনগদবনি। ব্লোটিং পেপর (টিস্যু পেপর) অমনা মরক-মরক্তা তপ-তপ নপথোক্তুনা মায়দা কারকপা মরেক কোকহনবা য়াই।

কনাগুম্বা অমগী মায়থোংদা ইহান হান্না মীৎতাফম ওইগদৌরিবসি মীওই অদুগী মমীৎতনি। মরম অদুনা মীৎকী মকে শেমদুনা মঙং মতৌ ফজনা উহল্লবদি নাতোলগী অথীবা অদু থোইদোক্লা উবা ফংলোই। পুন্সিগী অহানবা ওইনা মেক-অপ শীজিন্নবা হৌগৎলকপা মীওইশিংনা ইশা ইশাগী কুচুগা চান্নবা আয়শেদো অমা শীজিন্নগদবনি। নৎত্রগনা মাস্করা শীজিন্নরবসু অদুম্মক মফজগনি। মসিগীসু মথক্তা মীৎকী পা শাংনা উহন্নবগীদমক আয় লাইনর অমা শীজিন্নগদবনি। তাঞ্জা মেঞ্জা খঙনা মতাং মতমগী মতুং ইন্না মকে শেম্বা মথৌ তাই। নুমিদাংৱাইরম কোয়বা চৎথোক্লমদাইদা কেবগী মঙং অদুগুম ওফিস কারমদাইদা কেবা তারবদি মরিং মরাংবা ওইনা থোক্কনি। ইশা ইশাগী মায়গী মঙংগা চান্নগদবা য়েংলগা পীশুমগী মঙং শেম্বসু মথৌ তাই।

চীনবালদা ইশাগা চান্নগদবা মচু অমা তৈশিন্দুনা মীয়ামগী মীৎতাফম ওইহন্নবা হোৎনগদবনি। নুপা ওইরবসু নুপীবু ওইরবসু লুমাঙগী শম অদু নাকলদা পৈনা হাৎপা তারবদি নাতোল পীক্লা উহল্লি। কনাগুম্বা মমীৎ শোকপশিংনা অনোক উপ্পা তারবদি মীয়ামগী মীৎতাফম নাতোলদা চপ চানা থোক্কদবা মরম্না কোনে টক্ত লেন্সকুম্বা শীজিন্নগদবনি।


চৎথোক্লমদাইদা শেংনা মায় তাথোক্তুনা মরেক পুম্নমক লৌথোক্লবা মতুংদা ইশাগী কুচুগা চান্নবা ফাওন্দেশন অমা মায় থুংনা তৈশিনগদবনি অদুদগী অতৈ য়েক্কদবা, তৈগদবা পুম্নমক লোইরবা মতুংদা খরা মমশিনবা মচুগী পাওদরনা নাতোলগী নাকল য়েৎ-ওয়দা লাইন অমমম চিংগদবনি। মসিনা অচৌবা নাতোলবু পীক্লা উহনগনি।

অরোইবা খোঙথাং ওইনা চীনবালদা ইশাগা চান্নগদবা অরংবা মচু অমা তৈরবদি মীয়াম্না মায়দা য়েংলকপা মতমদা নাতোলদা মীৎতাফম ওইররোই। মতৌ অসুম্না ইচম চম্বা থৌরাং খরা লৌখৎলগা অচৌবা নাতোলবু পীক্লা উহনবা য়াই।





# পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না
# মেটাবোলিক সিন্দ্রোম




ব্লদ প্রেসর ৱাংবগা লোয়ননা ব্লদ সুগর ৱাংবা অমসুং খ্বাং মপাদা ফেটকী শরুক য়াম্না পৈশিল্লক্তুনা পুক নোয়থোরক্লবা অমসুং কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপা তারবদি থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক অমদি দাইবেটিসকী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মথক্তা পনখ্রিবা ফিভম ময়াম অসি পুল্লপ পুল্লগা মেটাবোলিক সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ। ইশম শম্না হায়রবদা চাশিন-থকচিনখিবা চীঞ্জাক্লা হকচাংদা পীরকপা এনর্জি শীজিন্নথোকখিবগা তূংশিন্দুনা লৈহৌবগা অনীগী মরক্তা য়াম্না চাউনা অশোয়বা অমা লৈরকপগী থৌওংবুনি।

মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী মরু ওইবা লাইওংদি পুক মপাদা খংনোই নোইবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা, কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপা, ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল শোন্থরকপা অসিনচিংবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি লায়না অসি ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদবা তারবসু কা হেন্না নোয়বা অমদি হকচাং লেঙ-ওৎপা ৱাৎপদগী ওইরকপনি হায়না থাজনরি। চাকচা-য়ুথক ফজদবনসু মসিদা মতেং পাংশিল্লি। অতোপ্পা মরম অমনা অয়াম্বা মতমদা ৱাখল ৱাবা অমদি চরাংনবা হায়বসিনি। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসিসু মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী রিস্ক ৱাংখৎলক্লবগী মরমনি। মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা মীওই চাদা ৪০ রোম লায়না অসি মায়োক্লে। অতৈ অতোপ্পা রিস্ক ফেক্টরশিংদি হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা, দাইবেটিস, থম্মোয়গী লায়না অমদি নন অলকোহোলিক ফেট্টি লিভরনচিংবনি।

অমরোমদা, মেটাবোলিক শিন্দ্রোম মায়োক্লরবা মীওইশিং দাইবেটিস অমদি থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। নেশনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্থকী গাইদলাইন মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমা খ্বাঙ চাউবগী চাং নুপাদনা ইঞ্চি ৪০ (সেন্টিমিটর ১০২) অদুগা নুপীদনা ইঞ্চি ৩৫ (সেন্টিমিটর ৮৯) ওইরবা, ঈদা য়াওবা ট্রাইগ্লাইসরাইদকী চাং দেসিলিটর অমদা মিলিগ্রাম ১৫০ হেল্লবা, ঐচ দি এল কোলেষ্টরোলনা দেসিলিটর অমদা মিলিগ্রাম ৪০ য়ৌদ্রবা, ব্লদ প্রেসরনা ১৩০/৮৫ হেল্লবা অমসুং ফাষ্টিং ব্লদ সুগরনা দেসিলিটর অমদা মিলিগ্রাম ১০০ য়ৌরবা অদু ওইরবদি মীওই অদু মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না লৌবা য়ারে।





মেটাবোলিক সিন্দ্রোমদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা নৎত্রগনা ফীভম হেঞ্জিল্লক্তনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি পুন্সি মহিং হোংদোকপা, নুমিৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা মিনিট ৩০ রোম খোঙনা চৎপা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, লোয়ননা মৈখু শীজিন্নবা অমদি য়ু থকপগী হৈনবী থাদোকপা অসিনচিংবনি।

# থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম

- মহৌশা ইমানা তন্নকপা খুদোল মতুং ইন্না নুমিৎ, থা অমদি থৱানমিচাক্কী খোঙচৎতা অহোংবা অমত্তা লৈতে। ইশম শম্না হায়রবদা অয়ুক খুদিংগী নুমিৎ থোরকই অমসুং নুমিদাংৱাইরমদনা থা থোরকই। মতৌ অসুম্না মীওইবগী হকচাংনা মথৌ তৌবগী মঙংদসু অকক্লবা তাম্বা অমদি হোংবা নাইদ্রবা মঙং অমা লৈজে। মতৌ অসুম্না অহোংবা লৈতনা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা হকচাংগী কয়াৎশিংনা মথৌ তৌবগী মঙং অসিবু সর্কাদিয়ন রিদম কৌই। খুদম ওইনা হায়রবদা অয়ুক তূম্বা হৌগৎলকপা খুদিংগী খোঙ হাম্নিংবা ফাওরকপা অমদি ঙাইহাক লৈরগনা চাক লাম্বা ফাওরকপা অসিনচিংবা পুম্নমক সর্কাদিয়ন রিদমগী শরুক অমনি।
- মীওইবগী মীৎ অনী কন্ট্রোল তৌরিবা মশলশিং নোংমদা ১০০,০০০ রক লেঙথোক-লেঙশিন তৌই। করিগুম্বা খোঙগী মশলনা অসুক য়াম্না লেঙবা তারবদি মাইল ৫০ খোঙনা চৎপগা মান্নগনি।
- নুপী ওইবী অমগী ওভারিদা অঙাং শেম্নবা মরুম ৫০০,০০০ রোম য়াওই অদুবু শুপ্পগী মরুম ৪০০ রোমতমক অঙাং শেম্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংই।
- থাঙৈশেংনা চাংদম্নদুনা য়েংবা মতমদা মীওইবগী শরুনা কংক্রিটতগী শরুক মরি হেন্না মপাঙ্গল কল্লি।
- মঙক ককথৎপদগী মকোক্কা মশাগা তোঙান তোঙান তানরবা মতুংদসু মীওইবগী ব্রেননা ঙাইহাক্তি ৱাখল খনবা ঙম্মী। থায়না মমাঙ ঙৈদা কনাগুম্বা মীওই অমবু শিবগী চৈরাক পীবা মতমদা মঙক ককথৎপগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। ফ্রেঞ্চ রেভল্যুশন মতমদা গুইলোটাইন শীজিন্নদুনা মঙক ককথৎলগা শিবগী চৈরাক পীবগী চৎনবী হৌদোরকখিবনি হায়না থাজনরি। কুমজা ১৭৯৩ দা চার্লোট কোর্দে কৌবা মীওই অমা ফ্রান্সতা মঙক কত্তুনা হাৎলম্মী। মতমদুদা মীওই অদু মঙক ককথৎলবা মতুংদসু সেকেন্দ খরদি অদুম্মক ৱাখল খনবা ঙম্বগী মঙং উবা ফংখি।
- চাংচৎতা মীওইবা অমগী লৈ (টঙ্গ) দা মহাউ খঙনবা টেষ্ট বদ ৩,০০০ দগী ১০,০০০ রোম ফাওবা য়াওই। টেষ্ট বদশিং অসি পেপিলে হায়না খঙনবা লৈগী মমায়দা মরুম-মরুম শৌদুনা লৈবা পোৎশক অমগী মথক্তা তোংদুনা লৈ। মসিগী মতেংনা অথুম্বা, অয়াকপা, অখাবা অমদি অশিনবা মহাউ পুম্নমক খঙবা ঙম্লিবনি। লৈগী তোঙান তোঙানবা মফম্না তোঙান তোঙানবা মহাউ খঙবগী মথৌ তৌই হায়না মীয়াম্না থাজনরিবসি অরানবা ৱাখল্লোননি। লৈগী শরুক অমা নৎত্রগা অমনা হেক্তা মখল খুদিংমক্কী মহাউ খঙবা ঙম্মী।
- লার্জ ইন্টেষ্টাইনদা য়াওরিবসি এপেন্দিক্স, সেসম, কোলোন অমদি রেক্টমনি। মসি দাইজেষ্টিভ সিষ্টমগী অরোইবা শরুক্নি। মসিনা চীঞ্জাক্তা য়াওরকপা তুমহৌদবা শরুক্তগী ঈশিং চুপশিল্লগা হকচাংগী মপান্দা থাদোরকই। কান্নদবা অমোৎ অকায়শিংসু হকচাংদগী থাদোরকই। লার্জ ইন্টেষ্টাইনগী অশাংবা চাউরাক্লা মিটর ১.৫ (ফুট ৪.৯) নি।
- লিভরনা দাইজেষ্টিভ সিষ্টমগী-দমক বাইল শুংবগা লোয়ননা ন্যুট্রিয়ন্টশিং প্রোসেস তৌই।
- চীঞ্জাক্তা য়াওরকপা ফেটশিং থুগায়রিবা বাইল পুম্নমক গোল ব্লাদরদা তূংদুনা লৈ।
- মীওইবগী লৈ (টঙ্গ) অসি চীন মনুংগী লৈমায়দা নপতুনা লৈবা মশলনি। মসি মহাও খঙহল্লিবা সেন্স ওর্গানগী খ্বাইদগী মরু ওইবা শরুকনি। লৈগী মথক থংবা ময়াইদা টেষ্ট বদশিংনা কুপশিল্লি। মসিদা টেষ্ট রিসেপ্টর কয়ামরুম য়াওই। মদুগী মতেংনা মহাউ খঙবা ঙম্লিবনি।
- মীওইবগী নাতোননা নুংশিৎতা য়াওরকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং খঙবা ঙম্মী। ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা মখলগী মনম কয়ামরুম খঙবা ঙল্লবসু হূইগুম্বা শাশিংনা মনম খঙবা ঙম্বা হেল্লি।
- ঐখোয়গী নরভস সিষ্টমগী ময়োল ওইরিবা ব্রেননা ঐখোয়গী ৱাখল খনবা, লেঙ-ওৎপা, ৱারেপ লৌবা অমদি নীংশিংবগী থবক পুম্নমক কন্ট্রোল তৌই। ব্রেনদা য়াওরিবা নর্ভ সেল বিলিয়ন কয়ামরুম্না হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফম পুম্নমক্তা পাউ ফাওনৈ। সেরিব্রোস্পাইনেল ফ্লুইদ হায়না খঙনবা মহী অমদা তাউদুনা লৈরিবা ব্রেনবু শরু ২২ না পূল্লগা শেম্বা স্কল (ক্রেনিয়ম) না য়োমশিল্লগা থম্মী। সেরিব্রমনা ব্রেনগী খ্বাইদগী চাউবা শরুক্নি। অতৈ মরু ওইবা শরুকশিংদি কোর্পস কেলোসস, সেরিব্রেল কোর্টেক্স, থেলামস, সেরিবেলম, হাইপোথেলামস, হিপো কেম্পস অমসুং ব্রেন ষ্টেমনি। ব্রেনগী নাকল নাম্মনা হকচাং তংখায় অমগা পাউ ফাওনৈ। ওয় থংবা ব্রেননা হকচাংগী য়েৎথংবা শরুক্কা অমসুং য়েৎথংবা ব্রেননা হকচাংগী ওয় থংবা শরুক্কা পাউ ফাওনৈ। ফনা য়াম্না থিজিল্লবসু সাইন্টিষ্টশিংনা হৌজিক ফাওবা ব্রেনগী মরমদা খঙবা ঙমদবা কয়ামরুম লৈরি।
- মীওইবগী নাতোন মখুল অনী পাল্লিবসি নেজেল সেপ্টমনা ময়ায়দা খায়দোকপনি। মশলদগী হেন্না কনবা অদুগা শরুদগী হেন্না থোৎপা কার্টিলেজ কৌবা টিস্যু অমনা নেজেল সেপ্টম শেম্বনি।
- মীওইবনা মহীক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। হকচাংদা য়াওরিবা মহীকশিং পুল্লপ পুনশিল্লবদি পাওন্দ মরি রোম লূম্মী।
- মালেম অসিদা মীওই ১০ খুদিংগী মনুংদা অমমমদি য়েৎনা হৈনবা (রাইট হেন্দেদ) মীওই ঙাক্তনি। খুৎ অনীমক চপ মান্ননা হৈশিংদ্রিবা করিগীনো হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা থিওরি কয়ামরুম লৈ। ৱা ঙাঙবদা শিজিন্নরিবা ব্রেনগী শরুক অদু য়েৎথংবা নাকলদা লৈবা মরম্না মীওই অয়াম্বা য়েৎনা হৈনরিবনি। অদুবু থৌওং অসি মীওই খুদিংমক্তা চপ মান্নবা তারবসু মীওই খরনা য়েৎনা হৈনরগা কনাগুম্বা খরনা ওয়না কোৎলিবগী মরম করিগীনো হায়বসিমদি অঙকপা অমা ওইরি।
- চিম্পাঞ্জি অমা মতু লোইনা ফানে দাক্লগা মঙক্তগী মখ্বাং ফাওবা ফোটো নম্বা তারবদি অহানবা উবদা মীওইবগী ফোটো মানগনি। চিম্পাঞ্জিগা মীওইবগা শকওং শক্তা চপ মান্নৈ। মপাঙ্গল কনবদদি চিম্পাঞ্জিনা শরুক অনী হেল্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রস
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া



কাইলাশ মানাসারোভার
য়াত্রা

davp 14108/13/0001/1718

কাইলাশ মানাসারোভার য়াত্রা - ২০১৮গীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসনা এপ্লিকেসন কৌজরি



ইলিজিবিলিটি : জন্যুৱারী ১, ২০১৮দা চহী ১৮দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইন্দিয়ন নেসনলশিং।
খনবগী মওং : কম্প্যুটরাইজ ড্রো, মতুংদা মেদিকেল টেষ্টশিংগী খূৎথাংদা।
রেজিষ্ট্রেসন : ওনলাইন এপ্লিকেসনদংগী খূৎথাংদা।
অকূপ্পশিংগীদমক্তা ৱেবসাইট : https://kmy.gov.in দা ভিজিট তৌ
টেলিফোন : ০১১-২৪৩০০৬৫৫